# রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইয়ুর এসিয়া কপ্পা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন জুনিয়র টিম লাউথোকখ্রে



ন্যু দেল্লি, জুন ২৫ ঃ

চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা লক্ষনৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপকীদমক শেম শাবা অমদি অহেনবা এক্সপরিয়েন্স তান্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৮ না শাবা স্কাদ অমা মথং থাদা রসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইয়ুর এসিয়া কপ অমদি ইংলেন্দদা মেচ তরুক্কী সেরিজদা শরুক য়ারুগনি।

ইন্দিয়াগী স্কাদ অসি দিফেন্দর দিপসান টির্কিনা লুচিংগনি। ইয়ুর এসিয়া কপ্পা জুনিয়র মেন’স স্কাদনা দাইনামো ষ্ট্রৌইটেল, রসিয়ন টিম ৱান অমদি রসিয়ন টিম টুগী মরক্তা শান্নগনি। দাইনামো ষ্ট্রৌইটেলনা চহী ৩৪ গী গেপ অমা লৈরুরবা মতুং কুমজা ২০১৫-১৬ সিজনগী য়ুরোপিয়ন হোকি লীগতা শুরুক য়াখি।

টিম অসিমক্লা ইংলেন্দদা চৎতুনা ইংলেন্দ অমদি স্কোটলেন্দগী টিমশিংগা জুলাই ২২ দগী ওগষ্ট ১ ফাওবা মেচ তরুক্কী সেরিজ অমা শান্নগনি। জুনিয়র কেপ্তেন টির্কিদা নত্তনা ইন্দিয়ন জুনিয়র টিমদা য়াওরিবশিংগী মনুংদা হৈথোই শিংথোইরবা শান্তা সিংহ অমদি দ্রেগ ফ্লিকর ভারুন কুমার য়াওরি।

হোকি ইন্দিয়া (ঐচ আই) গী সেক্রেটরি জেনরেল এম দি মুশটাগ অহমদনা জুনিয়র স্কাদ অসি লাউথোক্লদুনা হায়খি, জুনিয়র ৱর্ল্ড কপকী য়ূম্বু ওইনা ঐখোয়না ঐখোয়গী জুনিয়র মেন’স টিমবু অফবা প্লেটফোর্ম অমদা লৈনবা অমদি লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরক্লবা শেম শাবা মথৌ তাই হায়খি।

ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৮ না শাবা স্কাদতা য়াওরিবা প্লেয়রশিংদি গোলকিপরদা সুরজ কার্কেরা, কিষন বি পাথকনি। দিফেন্দরদা দিপসান টির্কি (কেপ্তেন), ভারুন কুমার (ভাইস কেপ্তেন), হর্দিক সিংহ, ভিক্রমজিৎ সিংহ, গুরিন্দর সিংহ, নিলম সঞ্জিপ জেসনি। মিদফিল্ডরদা নিলকান্তা শর্ম্মা, সুমিট, শান্তা সিংহ, মনপ্রীট, শমশের সিংহনি। ফোরৱার্দতা গুজরান্ট সিংহ, অজয় যাদভ, পার্ভিন্দর সিংহ, সিম রাঞ্জিট সিংহ অমদি অজিট কুমার পান্দেনি।

# বুমরহানা আই সি সি টি-২০ ইন্টরনেসনেল রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী ফবা ওইনা অনীশুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে



দুবাই, জুন ২৫ ঃ

ইন্দিয়ন মেদিয়ম পেসর জাসপ্রীট বুমরহানা হন্দক্তা লোইশিনখিবা জিম্বাবৱেগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা সেরিজ অদুদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিবা অদুনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা মফম অসিদা থোকখিবা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) টি-২০ ইন্টরনেসনেল রেঙ্কিংদা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা মালেমগী অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে।

টি-২০ ইন্টরনেসনেল মেচ অহুমগী সেরিজ অদুদা বুমরাহনা অপূনবা ৱিকেট মঙা লৌখিবদগী হান্না লৈরম্বা রেঙ্কতগী মফম তরুক হায়গৎলগা খ্বাইদগী তেনবা মশান্না অসিদা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংবা বোল্লর ওইখি। ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা স্পিন্নর রভিচন্দ্রন অশ্বিননা মহাক্কী হান্নগী মফমদগী মরি কুমথরগা তরেৎশুবা মফমদা লৈখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী স্কিপর সাম্যুএল বাদ্রীনা মকোক থোংনা লৈখিদুনা বুমরহাদগী পোইন্ট ৪৬ তা মাঙজিল থারি।

বুমরাহগী অনৌবা বোল পার্টনর বরিন্দর সরন হন্দক্তা লোইশিনখিবা জিম্বাবৱে সেরিজ অদুদা ৱিকেট তরুক লৌদুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোলর ওইখিদুনা ২২৫ শুবা রেঙ্কিংদা লৈবা ঙমখি।

বেটসমেনশিংগী মরক্তা মন্দিপ সিংহ অমদি লোকেশ রাহুলনা মথংশিংনা রেঙ্কিংগী ১০০ শুবা অমদি ১০২ শুবা মফমদা লৈখি অদুগা মনিশ পান্দেনা মফম ১১৯ কাখৎলক্লগা ১৫২ শুবা মফম অমদি অম্বাটি রয়ুদুনা মফম ১৩৩ কাখৎলগা ২১৭ শুবা মফমদা লৈখি।

মহারাষ্ট্রগী ষ্টম্পর বেন্দর জাধবনা জিম্বাবৱে সেরিজদা অপূনবা রন ৭৭ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙম্বা অহুমশুবা বেটসমেন ওইখিবদা নত্তনা ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবা মেচতা বোল ৪২ দা রন ৫৮ লৌদুনা মতেং পাঙখিবা অদুদগী রেঙ্কিংদা মফম ১৮১ হায়গৎলগা ১০৬ শুবা রেঙ্কতা লৈখি।

ইন্দিয়াগী টেষ্ট স্কিপ্পর ভিরাট কোহলিনা অতেনবা ফোর্মেট অসিগী বেটসমেনশিংগী মকোক্তা লৈখি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী অরোন ফিঞ্চ অমদি ন্যুজিলেন্দগী মার্টিন গুপটিলনা মথংশিংনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা মফমদা লৈখি।

টিমগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা হন্দক্তা লোইশিনখিবা সেরিজদা জিম্বাবৱেবু ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রবসু টোপ পোজিশন্দা হল্লক্নবগী খুদোংচাবা অদু মাঙখি। ইন্দিয়ানা অপূনবা পোইন্ট ১২৮ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈখি অদুগা ন্যুজিলেন্দনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। ইদিয়ানা ন্যুজিলেন্দদগী পোইন্ট ৪ তানা লৈরি অদুগা অহুমশুবা মফম কল্লিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি-২০ গী চেম্পিয়ন ৱেষ্ট ইন্দিজদগী ইন্দিয়ানা পোইন্ট ৬ হেন্না চৎলি।

# ইন্দিয়ন হোকি টিমনা এফ আই ঐচকী রেঙ্কিংদা হাইগৎখিদুনা মঙাশুবা মফমদা লৈখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ২৫ ঃ

হন্দক্তা লন্দন্দা লোইশিনখিবদা ঙাইরিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা হিষ্টোরিক ওইনা শিলভর মেদল লৌখ্রবা মতুং ইন্দিয়ানা অতোপ্পা শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাং অমদা এফ আই ঐচনা নৌনা থোকখিবা মেন’স টিমগী রেঙ্কিংদা মালেমগী ওইনা মঙাশুবা মফমদা লৈখ্রে।

ইন্দিয়ানা মালেমগী ওইনা মঙাশুবা রেঙ্কতা লৈখিবা অসিনা কুমজা ২০০৪ গী মতুংদা অহানবসু ওইরে। কুমজা ২০০৩ দা ইন্টরনেসনেল হোকি ফেদরেসন (এফ আই ঐচ) না রেঙ্কিং সিষ্টেম চৎনহনখিবদগী ইন্দিয়ানা টোপ টেনগী অনেম্বা মফমদা নৎত্রগা করিগুম্বা মতমদা টোপ টেনগী ৱাংমদা লৈখিবনি। ইন্দিয়ানা হৌজিক রেঙ্কিংদা মালেমগী মমিং লৈরবা টিমশিং ন্যুজিলেন্দ, বেলজিয়ম অমদি অর্জেন্টিনাদগী মাঙজিল থানা লৈখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ানা খ্বাইকী মকোক্তা লেংদনা লৈখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী হেক মতুংদা নেদরলেন্দসনা অনীশুবা মফমদা লৈরি। নেদরলেন্দসনা হন্দক্কী চেম্পিয়ন ট্রোফি অদুদা শরুক য়াখিদে। জর্মনিনা অহুমশুবা, গ্রেট ব্রিটেননা মরিশুবা অমদি ইন্দিয়ানা মঙাশুবদা লৈখি। মরিশুবা অমদি মঙাশুবা মফমগী খেন্নবা অসি পোইন্ট নিপানখক্তনা খায়দোক্লি। ইন্দিয়ানা পোইন্ট ১৬৮৯ ফংদুনা মঙাশুবদা লৈখিবনি।

এসিয়াগী ওইনা ইন্দিয়াগী মতুংদা খ্বাইদগী ফবা রেঙ্কতা লৈবা টিমনা সাউথ কোরিয়ানা ওইরি। সাউথ কোরিয়ানা ৯ শুবা রেঙ্কতা লৈখি। এফ আই ঐচনা রিভাইস তৌরবা রেঙ্কিং অমুক হন্না নুপীগী চেম্পিয়ন ট্রোফি লোইরবা মতুংদা রিলিজ তৌগনি।

হন্দক্তা লোইশিনখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী ফাইনেলদা য়াম্না চমম্নবা মওংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূৎতা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখিবগা লোয়ননা রন্নর-অপ তাদুনা শিলভর মেদল ফংহৌখি। মেচ অদু অপীবা মিনিট ৬০ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা ০-০ দা লৈখ্রবা মতুং পেনালটি শুট আউট পাঙথোক্তুনা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৩-১ দা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌখি।

ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়ানা চনখিবা গোল অমবু পেন্দবদগী রেফ্রিগী দিসিজনগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি অদুবু মদু অরোইবদা কান্নবা ফংদনা মায়থীহৌখি।

# টোপ সীদ অগনিজস্কানা ইষ্টবোর্নদা মায়থীহৌরে

ইষ্টবোর্ন, জুন ২৫ ঃ

টোপ সীদ অমদি মমাঙগী চেম্পিয়ন অগনিজস্কা রাদৱানস্কানা মফম অসিদা চথুরিবা ইষ্টবোর্ন ইন্টরনেসনেলগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা সিবুলকোবাগী মখূৎতা ৪-৬, ৭-৬ (২), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদু পুং ৩ চঙনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকখি। নোংনা অরেপ অখম লৈতনা চুখিবদগী অহানবা নুমিৎকী মেচ অদু রাদৱানস্কানা ৩-২ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অথুবদা সিবুলকোবানা খূৎ হল্লকখিদুনা চাংমান্নদনা লৈখি। রাদৱানস্কানা ব্রিক পোইন্ট অমা পোইন্ট ওন্থোকপা ঙমখিদবদগী সিবুলকোবানা দোমিনেট তৌখিদুনা ত্রাই ব্রেকরদা মায় পাকখি।

# ইন্দিয়াগী স্প্রিন্টর দুটি চান্দনা রিও ওলেম্পিক্সকী মিটর ১০০ গী লমজেলগী ক্বালিফাই ওইখ্রে



অলমাটি, জুন ২৫ ঃ

ইন্দিয়াগী প্রেমিয়র ৱিমেন স্প্রিন্টর দুটি চান্দনা থাংজ নুমিৎতা রিও ওলেম্পিক্সকী মিটর ১০০ গী কেটাগোরিদা ক্বালিফাই ওইদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

মফম অসিদা পাঙথোক্লিবা ২৬ শুবা জি কোসানোভ মেমোরিয়েল মীটকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০০ গী হিটতা দুটি চান্দনা শিংথানিঙাই ওইনা ১১.৩০ সেকেন্দদা চেন্দুনা অনৌবা নেসনেল রেকোর্দ থমখিবগা লোয়ননা রিও গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখি। রিও গেমসকী ক্বালিফাইয়িং মার্ক অসি ১১.৩২ সেকেন্দনি।

দুটিনা ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং হায়খি, ঐহাক্না ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবা পুংজা অদুদা হরাওবগী ঙমখৈ লৈখিদে। চহী অসি ঐগীদি য়াম্না টর্ফ ওইবা হায়বদু ওইখি। ঐহাক্কী কোচ রামেশনা কন্না হোৎনবীদুনা ঐনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। মসি ঐগীদি অপেনবা হায়বদু ওইরে হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

ঐবু ক্বালিফাই ওইনবগীদমক ঈশ্বরদা থৌনিবীখিবা ইন্দিয়াগী মীয়াম্বু ঐনা থাগৎপা পাম্মী। নঙগী থৌনিবিখিবা অদুনা ঐগী মায় পাকপা অসি ওইরকপনি। ঐনা অঙ্গলিয়ন মেদল হন্ট, পুল্লেলা গোপিচান্দ একাদেমি অমদি কে আই আই টি য়ুনিভর্সিটিনা মতেং পীবিবগীদমকসু থাগৎলি। ঐনা ওলেম্পিক্সতা কনাগুম্বা অমত্তবু হন্থনা য়েংবা তৌরোই হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

কুমজা ২০১৪ দা আই এ এ এফকী হায়পরান্দ্রোগেনিজ লোগী মতুং ইন্না দুটিবু কম্মনৱেলথ গেমসকী স্কাদতগী লৌথোকখি অমদি নুপী এথলেট অমদা য়াওগদবা টেষ্টোষ্টেরোলগী চাংদগী য়াম্না হেন্না য়াওরমখিবদগী সস্পেন্দ তৌখি।

মহাক্না থৌনা লৈনা মহাকপু অথিংবা থমখিবা অদুগীদক ফাইট তৌখি অমদি কুমজা ২০১৫ দা হিষ্টোরিকেল ভার্দিক্ট ওইনা কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টস (সি এ এস) না মহাক্কী অপান্বদা রুলিং পীদুনা মহাকপু অমুক হন্না কম্পিটিসন্দা শরুক য়াবদা অয়াবা পীখি। মহাক্কী ফীভম অদুদা চহী অমরোমদি ট্রেনিং মপুং ফানা তৌবা ঙমখিদে অমদি মহাক্কী হোৎনবা কনবা, লমচৎ নাইবা অমদি ফাইটিং স্পিরিট অদুনা ওলেম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

# দেভেন্দ্রোনা রিও ওলেম্পক্কী ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌরে

ন্যু দিল্লি, জুন ২৫ ঃ

কম্মনৱেলথ গেমসগী শিলভর মেদলিষ্ট এল দেভেন্দ্রো সিংহ (কেজি ৪৯) না মফম অসিদা চথুরিবা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএশন (আইবা) ৱর্ল্ড ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা সেমী ফাইনেল বাউটতা মহাক্কী লম্বাগী মখূৎতা মায়থীহৌদুনা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা নীংবা কায়না লৈহৌরে।

কোটা অনীখক্তমক লৈবা কেজি ৪৯ গী কেটাগোরিদা মণিপুরী অসিনা স্পানিয়ার্দ কার্মোনা হেরেদিয়া সাম্যুএলগী মখূৎতা ১-২ দা মায়থীহৌদুনা রিও ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইনবগী লম্বী অদু লোইশিনখি। দেভেন্দ্রোনা সাম্যুএলগা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখ্রবসু মায়থীবা নংখি।

অদুম ওইনমক দেভেন্দ্রোনা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা মিংচৎ পুরকপদি ঙমখি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াখিবা মনোজ কুমার (কেজি ৬৪) অমদি ভিকাস কৃষন (কেজি ৭৫) সু মখোয় মখোয়গী সেমী ফাইনেল বাউটশিংদা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংখি।

ঐগী নুপামচা অসিনা অরৈবমখৈ পীথোকখি, মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স অদু পীখি অদুবু জজশিংবু পেলহনবদি ঙমখিদে। অদুম ওইনমক মহাক মতিং থোকপা বোক্সর অমা ওইখি হায়না গুরবক্স সিংহ সন্ধুনা বাউট লোইরবা মতুংদা হায়খি।

# ইন্দিয়াগী প্রেমিয়র ফুটবোল কম্পিটিশন অমা ওইরিবা আই-লীগতগী গোৱাগী ক্লব অহুম্না ৱিথদ্রো তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে



পনাজি, জুন ২৫ ঃ ইন্দিয়াগী প্রেমিয়র ফুটবোল কম্পিটিশন অমা ওইরিবা আই-লীগতগী গোৱাগী ক্লব অহুম্না ৱিথদ্রো তৌনবা ৱারেপ লৌখিবদগী মশান্না অসিগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) দা অচৌবা শাফু অমা পীখ্রে।

মমাঙগী আই-লীগকী চেম্পিয়ন সলগাওকর এফ সি অমদি স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱানা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিগী মতাংদা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অথুবা মতমদা মখোয়না ৱারেপ অসি করিদগী লৌরক্লিবনো হায়বগী মতাংদা অপূনবা চেরোল অমা থোক্লবা য়াই হায়না লৌনরি। হান্নগী চেম্পিয়ন ওইরিবা দেম্পো স্পোর্টস ক্লবসু অথুবদা গোৱাগী অতোপ্পা ক্লব অনীনা লৌরকখিবা ফীরেপকী মায়োক্তা লৈবগী মহুত্তা মখোয়গা পুনশিল্লগনি হায়বগী থাজবা পাউগী সোর্স অমগী মতুংইন্না ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক গোৱাগী ক্লব অহুম অসিনা মখোয়গী ক্লবশিং অসি থিংজিনবগী মহুৎ মখা তানা গোৱা প্রো লীগতা শান্নগনি হায়রি।

আই-লীগতগী ৱিথদ্রো তৌনবগী লৌরকখিবা ফীরেপ অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না কুমজা ২০১৭-১৮ দগী হৌনা ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) পু লৈবাক অসিগী নম্বর ৱান লীগ ওইহল্লগা আই-লীগপুনা অনীশুবা থাক্তা পুথরক্লবগী রোদমেপ অমা পুথোক্তুনা থৌশিল য়াৎখিবদগী ওইরকখিবনি।

খ্বাইদগী মওং তাদবা অমনা আই এস এলগী ওর্গনাইজর ওইরিবা আই এস জি রিলাইন্সনা হৌজিক লৈরিবা ফ্রেঞ্চাইজ নিপান অসিগা য়ান্নখিবগী মতুং ইন্না চহী ১০ দি ফ্রেঞ্চাইজ অমত্তনা আই-লীগতগী আই এস এলদা কাখৎলকপা নৎত্রগা আই এস এলদগী কুমথবা য়ারোইদৌরি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (আই এ এফ এফ) না মমাঙ থাদা ন্যু দেল্লিদা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী মীফম অমা কৌদুনা ইন্দিয়ন ফুটবোলগী তুংগী ওইবা লম্বী অমা য়াৎনবা খন্নখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱাগী প্রসিদেন্ট পিটর ভাজ য়াওনা ক্লব ওফিসলশিংদা এ আই এফ এফনা পুথোরকখিবা রোদ মেপ অদু নম্ফুদা চৎনহন্নবা হোৎনদুনা লৈরম্বদা অঙকপা পোক্লখি। মদুগী মতুং নোংমা লৈরগা এ আই এফ এফনা আই-লীগকী ক্লবশিংদা অইবা চেরোল পীদুনা অনৌবা রোদমেপ অদুগী মতাংদা মখোয়গী ওইবা ৱারোল ফোঙদোক্লবা খঙহনখি অমদি মদুগী পাউখুম ওইনা স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱা অমদি সলগাওকর এফ সিনা রোদমেপ অদুদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবসু এ আই এফ এফনা হৌজিক ফাওবা মখোয়গী মেলশিং অদুগী পাউখুম পীরক্ত্রি হায়রি।

দেম্পো স্পোর্টস ক্লব য়াওনা গোৱাগী ক্লব অহুমনা সেকেন্দ দিভিজন্দা চহী অমা শান্নরম্লবা মতুং আই-লীগতা অমুক হন্না মফম কল্লকপা ঙমখিবা ক্লবশিং অসিনা লীগ ৱান হায়না নৌনা খঙনরগদবা আই লীগতা মখা তানা শান্নবগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়না লৌরি।

সেনিয়র ক্লব ওফিসল অমনা হায়খি, এ আই এফ এফনা লৌখৎলক্লিবা অনৌবা খোঙথাং অসিনা ইন্দিয়ন সুপর লীগপু হেন্না ৱাংবা মফমদা থাঙ্গৎপদা নত্তনা মিচং মীখাই নাইবগী থৌওংনি হায়না লৌই। মখোয়না মতম কুইনা মকোক থোংবা লীগ অসিগী শরুক অমা ওইনা লাকখি অমদি মসিদগী মখোয়বু কাওথোরকপা হায়বসি ফজদবা থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৯৬ তগী হৌদোকখিবা নেসনেল ফুটবোল লীগ (এন এফ এল) অমদি আই-লীগকী অপূনবা টিমশিংগী মনুংদা গোৱানা টিম মশীং খ্বাইদগী য়াম্না পুথোক্তুনা লাক্লিবনি। অমদি টিম তরুক্লা এন এফ এলদা শরুক য়াখি অমসুং আই-লীগকী টাইটল অয়াম্বা লৌদুনা লাকখিবনি।

मणिपुर इंस्टिट्यूट ऑफ़ टैक्नोलॉजी
MANIPUR INSTITUTE OF TECHNOLOGY
*(A Constituent College of Manipur University)*
TAKYELPAT, IMPHAL – 795 004 : MANIPUR

## ADMISSION NOTICE

**Imphal, the 25th June 2016**

No. 3/1/2016-MIT(M.Tech.)/897 Applications in prescribed forms are invited for admis into M.Tech. Course in Civil Engineering with specialisations in (i) Structural Engineering, Geotechnical Engineering, (iii) Water Resources Engineering and (iv) Transportation Enginee in Manipur Institute of Technology, Takyelpat, Imphal on payment of Rs. 500/ only (Rs. 3 only in case of SC/ST candidates) by Cash/Demand Draft drawn in favour of the Princ Manipur Institute of Technology, Takyelpat, payable at the SBI, MU Campus Branch, Canchi Imphal-795003, for the academic session 2016-2017. Application forms can also be downloa from the Institute's website www.mitimphal.in. In such cases, the applicant has to enclos Demand Draft of Rs. 500/- only (Rs. 300/- only in case of SC/ST candidates) at the tim submission of application form.

**Eligibility:-**
A Candidate shall be eligible if he/she has passed Bachelor's Degree with a minimum CPI of or 60% of marks or First Class in Civil Engineering/Technology, Construction Engineerin equivalent examination in any appropriate area recognised by Manipur University.

***Preference will be given to candidates having valid GATE score card.***

**Important Dates:-**
1. Date of Issue of Application Form - 30-06-2016
2. Last date of submission of duly filled in Application Form (upto 4.00 p.m.) - 11-07-2016
3. Counselling of candidates having valid GATE Score card - 13-07-2016
4. Written Test/Interview for Non-GATE and Sponsored candidates - 16-07-2016

**Note:-** Sponsored candidates should apply through proper channel.

* List of selected candidates can be seen on the Institute's Notice Board and wet www.mitimphal.in on 18-07-2016

(Prof. R.K. Hemakumar Sir
Principal i/c,
Manipur Institute of Technol
Takyelpat, Imphal.

HL-B/3154/26